# লৈহাও মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগতা য়ুথ প্রোগ্রেসিব ওর্গেনাইজেসন সোরা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচীংগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা অমদি অরোইবা লীগ রাউন্দদা য়ুথ প্রোগ্রেসিব ওর্গেনাইজেসন (ৱাই পি ও) সোরা মায় পাকখ্রে।

ককচীংগী সুপর দিভিজন লীগকী টিম ৮না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা য়ুথ প্রোগ্রেসিব ওর্গেনাইজেসন (ৱাই পি ও) সোরানা সোসিএল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সি) ৱাইখোং গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ৱাই পি ও সোরানা হৌজিক পোইন্ট ১৬ ফংদুনা সুপর পোইন্ট টেব্লিগী মকোক্তা লৈখ্রে। ৱাই পি ও সোরানা লীগ মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ মঙা মায় পাকখ্রে। মেচ অমনা দ্রো ওইখ্রে অদুগা মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা টিম পূম্নমক্কী মকোক্তা লৈদুনা লীগ অসিগী চেম্পিয়নগী আশা য়াম্না নক্না লৈখ্রে।

য়ুথ প্রোগ্রেসিব ওর্গেনাইজেসনগী মখূৎতা মায়থীহৌরবা সোসিএল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সি) ৱাইখোং মেচ তরেৎ শান্নখিবদা তরেৎমক মায়থীদুনা খ্বাইদগী শোনবা টিম ওইদুনা নিপানশুবা পোজিসন্দা লেংদনা অদুমক লৈখ্রে।

টিম পূম্নমক্কী মকোক্তা লৈরিবা ৱাই পি ও সোরাগী হেক মতুংদা সেনা এথলেটস ওর্গেনাইজেসন্না পোইন্ট ১৫ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি। কে পি এস সি ককচীংনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা লীগকী টেবলদা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

চথরিবা লীগ অসিগী হয়েং অরোইবা লীগ মেচ আইদিএল য়ুথ এসোসিএশন (আই ৱাই এ) ককচীং অমসুং সোসিএল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সি) কৈরক অনীনা শান্নরগনি।

হয়েং শান্নগদৌরিবা মেচ অসিদা টিম অমনা হেক্তা মায় পাক্লবসু ৱাই পি ওনা ফংলিবা পোইন্ট অসি য়ৌবা ঙমলোইদবা মরম্না ৱাই পি ওনা সুপর দিভিজন লীগ অসিগী ৱিন্নর অদুমক ওইরগনি।

হৌজিক ফাওবদা সোসিএল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সি) কৈরক্না পোইন্ট ১১ খক ফংলগা মরিশুবা মফমদা লৈরিবনি। অদুগা আইদিএল য়ুথ এসোসিএশন্নসু পোইন্ট তরুকখক্তমক ফংলগা তরুকশুবা মফমদা লৈরিবা মরম্না টিম অনী অসিনা ৱাই পি ও সোরাগী পোইন্ট অসি ফংবা ঙম্লগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱাই পি ও সোরানা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা এস দব্লিয়ু সি ৱাইখোংগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি। মেচকী অঙনবা মতমদা মায়কৈ অনীমক্তা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা লৈখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ থারমদাই অরোইবা মীকুপ্তা ৱাই পি ও সোরাগী রিয়াজ খাননা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখি। ৱাই পি ও সোরানা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা এস দব্লিয়ু সি ৱাইখোংগী শান্নরোয়শিংনা হাফ মতুংদা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি। অদুবু গোল হন্দোকপদি ঙমখিদে।

গোল অমা মাঙজিল থারিবা ৱাই পি ও সোরাগী শান্নরোয় রিয়াজ খাননা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল অলি খাননা মেচকী ৭২ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা এস দব্লিয়ু সি ৱাইখোংগী শান্নরোয় এস ননাও মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা অদুগা কে রোসন মেচকী ৭৬ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

# ষ্টেট লীগতা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা হয়েংদগী ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চঠগদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা ইহান হানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ (এস য়ু) কী টিমদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী ত্রেজররগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকপগী অচম্বা থৌরমদা সগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ আর কে ইমোনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুর ষ্টেট লীগকী হৌখিবা এদিসনশিংদা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ শরুক য়াবা ঙমদ্রবসু হন্দক্কী এদিসন অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াবগা লোয়ননা লীগ অসিদা অচৌবা আশা তৌরি। টিম অসিগী কোচনা এ এফ সি বি লাইসেন্স জয় কবুই অমদি এ এফ সি সি লাইসেন্স ব্রান্দো কামসোননি।

মণিপুর ষ্টেট লীগকী অনৌবা টিম অমা ওইরিবা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী টিমদা মণিপুর মপান্দগী শান্নরোয়শিং য়াওবদা নত্তনা ফোরেন প্লেয়র অনীসু য়াওরি। মণিপুর ষ্টেট লীগতা শরুক য়াগদৌরিবা টিম অসিগী শান্নরোয়শিংদা ঙসি মখোয়না লীগতা লিংৎকদবা য়ুনিফোর্মশিং খূৎশিন্নখি।

সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিংদি লাইশ্রম প্রেমকুমার, য়ুম্নাম ইনাও, থিঙুজম সুরজিৎ, স্মার্ট স্মিথ ইবো, কে ঐচ চন্দ্রকান্ত, মাইবম টাইসন, লালরামলুৱা মার, চান্দম চিত্রসেন, কে ঐচ কৃষ্ণনন্দা, ওপারা দুবুইসি, মংশাতাবম প্রিয়ানন্দা, সগোলশেম দোরেন্দ্রো, থাওদেম চন্দ্রকুমার, সামুএল, মোইরাংথেম লোকেন, টি ঐচ চীংথাংখোম্বা, মাইবম সুভাস, ৱাইখোম ঙৌবা, থোকচোম রোবার্ট, ৱাহেংবম কান্ত, কে ঐচ ইবোমচা, কে দেনিএল, সোরোকখাইবম হিমেন অমসুং জোসেফনি।

নীংশিংবা য়াই, সগোলবন্দ য়ুনাইটেদতা মমাঙগী সিজন্দা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা টুর্নামেন্ট কয়াদা চেম্পিয়ন ওইরকখিবদা নত্তনা সি সি মীটতসু ফজবা পার্ফোমেন্স পীখিবনি।

# চান্দেল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা এল দি এল এফ সি অমসুং চীংখু ফুটবোল ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শিন্দুনা লিৱা সরাই ফুটবোল গ্রাউন্দদা টিম তরানা গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা লিট্টল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি) অমসুং চীংখু ফুটবোল ক্লব মায় পাকখ্রে।

চান্দেলগী ফার্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা লিট্টল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি) না জেদ এস ৱাই সি গোল ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।



মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংবা মান্নবা শান্নরকখি। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুদা জেদ এস ৱাই সিগী থাওপুং সর্লিননা মেচকী ৬ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

জেদ এস ৱাই সিনা মেচকী অঙনবা মতমদা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবদা গোল শোথরিবা লিট্টল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি) গী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি।

মেচ অদুগী ২১ শুবা মিনিটতা ফংখিবা পেনালটি অমদা লিট্টল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি) গী শান্নরোয় আর দি রুৱাঙনা গোল ওন্থোক্তুনা টিম অনীমক গোল ১-১ দা লৈনখি।

মায়কৈ অনীমক্না গোল অমমম চন্নখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ৩৪ শুবা মিনিটতা লিট্টল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি) কী শান্নরোয় আর এল মোটিলালনা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় পি এস ইবিসন্না মেচকী ৩৮ শুবা মিনিটতা টিমদুগী অহুমশুবা গোল চনখি।

মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা জেদ এস ৱাই সিনা গোল অমদগী হেন্না চনবা ঙমদনা লিট্টল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি) গী মখূৎতা গোল অনী শোথনা লৈখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা জেদ এস ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা মেচকী ৬৫ শুবা মিনিটতা এম কে দাখুকনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা লিট্টল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি) তগী গোল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু গোল অমা মাঙজিল থারিবা লিট্টল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি) কী শান্নরোয় আর এল মোটিলালনা মেচ অদুগী ৮১ শুবা মিনিটতা টিমদুগী মরিশুবা গোল চনখি।

মখা তানা জেদ এস ৱাই সিনা গোল চনবা ঙমদবদগী লিট্টল দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব (এল দি এল এফ সি) গী মখূৎতা গোল অনীগী মার্জিন্দা মায়থীখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা চীংখু ফুটবোল ক্লব (সি এফ সি) না লিৱা সরাই য়ুথ ক্লব (এল এস ৱাই সি) গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা অমনা অমগী মায়কৈদা গোল চন্নবগীদমক অকনবা এটেক চথনখি। মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা গোল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া অঙনবা মতমদগী হৌনা ফংনখি।

মেচ অদুগী ১৬ শুবা মিনিটতা চীংখু ফুটবোল ক্লবকী টি এস ৱাংলানা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখি। অদুবু গোল শোথনা লৈরিবা এল এস ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবনা মেচ অদুগী ১৯ শুবা মিনিটতা টি ঐচ ওনিসমাসনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

মায়কৈ অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ৩৩ শুবা মিনিটতা এল এস ৱাই সিগী আর এন্থোনিনা শোয়বদগী ওন গোল অমা চন্দুনা চীংখু ফুটবোল ক্লব (সি এফ সি) না মায় পাকখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা এল এস ৱাই সিগী টি ঐচ ওনিসমাস মেচকী ১৯ শুবা মিনিটতা অদুগা চীংখু ফুটবোল ক্লবকী টি এস অলফা মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি। হয়েংগী মেচ লৈরোই।

# মণিপুর ষ্টেট লীগকী চেম্পিয়ন ওইগনি হায়না অচেৎপা থাজবা থম্লিবা নেরোকা এফ সিগী শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে





ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ ঃ

লমদমসিগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা অমদি মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা নেরোকা এফ সিগী শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা চেম্পিয়ন ওইগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দদা পাঙথোকখিবা শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা নেরোকা ফুটবোল ক্লবনা মণিপুর ষ্টেট লীগখক্তদা নত্তনা দুরান কপ্তুসু শরুক য়াদগদৌরি।

লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান কপতা নেরোকা শরুক য়াদুনা কপ অসিদসু চেম্পিয়নগী আশা থম্লি।

নেরোকা এফ সিনা মণিপুর ষ্টেট লীগকী অহানবা মেচ ওইনা এফ সি জালেনগা থা অসিগী ২৫ গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা শান্নরম্লবা মতুং দুরান কপকীদমক্তা মথংগী নুমিৎতা ইম্ফাল থাদোক্কনি।

নেরোকা এফ সিনা দুরান কপ অসিদা অহানবা মেচ ওইনা রিএল কাশ্মীরগা অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরি। দুরান কপ অসিদা নেরোকা এফ সিনা অনীশুবা মেচ ওইনা থা অসিগী ৩১ দা দেম্পো স্পোর্টিং ক্লবকা শান্নগনি। অহুমশুবা মেচনা আইজোল এফ সিগা সেপ্টেম্বর অহুমদা শান্নগনি। মরিশুবা মেচনা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকা সেপ্টেম্বর মরিদা শান্নগনি। মঙাশুবা মেচনা নেরোকা এফ সি অমসুং আর্মি রেদকা সেপ্টেম্বর তরেৎতা শান্নগনি।

নেরোকা এফ সিগী টিমদা ফোরেন প্লেয়র অহুম য়াওরি। মখোয় অহুম অদুদি নাইজেরিয়দগী ফোরৱার্দ শান্নরোয় ওলারিচ প্রিন্সৱিল ইমেকা অমদি ইজোগু ইমান্যুএলনি। অতোপ্পা ফোরেন প্লেয়র অদুনা লিবরিয়ন ৱেষ্ট অফ্রিকাদগী কালোন ভর্নেনি। হায়রিবা ফোরেন প্লেয়র নাইজেরিয়ন মচা অনী অসিদি মমাঙগী সিজন্দগী হৌনা নেরোকা এফ সিদা য়াওদুনা টিম অসিগী অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখ্রবনি।

নেরোকা এফ সিদা ইন্দিয়াগী অচৌ অচৌবা ক্লবশিংদা শান্নরম্লবা মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া য়াওরি। নেরোকা এফ সিগী গোল কিপর ওইনা ললিৎ থাপা, ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী অরুপ দেবনাথ অমদি থৌনাওজম ইবোমচা মখোয় অহুম্না ওইগদৌরি।

টিম অসিগী দিফেন্দর শান্নরোয়শিংদা মোইরাংথেম গোবিন, মোইরাংময়ূম অশোক, মোইরাংথেম ধনঞ্জয়, ঙাসেপ্পম তোন্দোনবা, লোংজম গোবিন, কালোন ভর্নে অমদি এম দি সোহেল শাহানি। মিদফিল্ডরদা থোকচোম জোনসন, চীংঙাখম অনন্দ কুমার, চোংথাম কিষন, মিজোরামদগী দেবিদ লালয়াকজারা, ৰৈশাংমি কোদাং অমসুং লাইরেঞ্জম বিশেশ্বরনি। ফোরৱার্দ শান্নরোয়দা ঙাঙোম রোনাল্ড, ওলারিচ প্রিন্সৱিল ইমেকা ইজোগু চিনিদু ইমানুএল, ক্ষেত্রিময়ূম মালেমঙানবা, সিঙাম সুভাস অমসুং চোংথাম সুশিল কুমারনি।

নেরোকা ফুটবোল ক্লবকী হেদ কোচনা গীফ রাই খাননি। টিম মেনেজরনা থাংজম অরুনকুমার, এসিষ্টেন্ট কোচনা সাপম প্রেমকান্ত, এসিষ্টেন্ট মেনেজরনা করাম কাসি, ফিজিও থেরাপিনা হৈখাম বিক্রম কুমার, টেক্নিকেল দাইরেক্টরনা মাইবম নোবিন অমসুং কিট বোয়না রামসোঙম জিমিটনি।

# দাংমৈ মজাবি কবুই মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগকী মেচতা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌনা সি ৱাই সি মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা তরুকশুবা দাংমৈ মজাবি কবুই মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌ মায় পাকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সুপর দিভিজন টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চথরিবা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌনা সি ৱাই সি গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌগী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা ফজবা পাস কয়া তৌদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা গোল চন্নবগীদমক এটেক কয়া চথখি।

ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নরকপনা মেচ অদুগী ১২ শুবা মিনিটতা মিন্থিংনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী শান্নরোয়শিংদা থৌনা হাপখি।

ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌনা গোল অমা মাঙজিল থাদুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখ্রবদা গোল শোথনা লৈরিবা সি ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি। অদুবু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা সি ৱাই সিনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌগী মখূত্তা গোল অমা শোথনা লৈখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌগী শান্নরোয়শিংনা থৌনা হনবা লৈতনা য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা মেচকী ৪৯ শুবা মিনিটতা ঐচ সুমন্তনা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মেচ অদুগী ৪২ শুবা মিনিটতা ঐচ সুমন্তনা অমুক হন্না গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল অহুম শুখি।

গোল অহুম শোথনা লৈরিবা সি ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংদা অকনবা প্রেসর লৈখিবগা লোয়ননা টিমদুগী অমত্তা ঙাইহ্রবা গোল অদু ৱাই এস দব্লিয়ু এ উৎলৌগী শান্নরোয় এস রিমাইন্দরগী ওন গোল অমদা মেচকী ৬৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা সি ৱাই সিগী অঙমপাও মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

## এস সি সি সেক্তানা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ ঃ

থা অসিগী ২৮ দগী সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবা চাইনাগী ৱাফাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি অন্দর-১৬ ৱিমেন'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবগীদমক ইন্দিয়াগী টিম শেল্লকপদা মণিপুরদগী শান্নরোয় মঙা য়াওরকপগী মনুংদা সোসিএল স্পোর্টিং ক্লব (এস এস সি) সেক্তাগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরক্লবা শান্নরোয় অহুম অদুদি এস ঐচ মোনিকা, পি ঐচ অশিলা অমসুং পি ঐচ সনাথোকপীনি। মখোয় অহুম্না চেম্পিয়নশিপ অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

## ষ্টেট লেভেল মুক্না চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ ঃ

খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা মরিশুবা ষ্টেট লেভেল মুক্না চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ করিগুম্বা খুদোংচাদবা অমদগী মতম খরা য়ৈথোক্লগা চহীসিগী সেপ্টেম্বর ১১ দগী ওইনা ককচীং খুলেন ইবুধৌ খল্লাংবা লাইবুংদা পাঙথোক্লগনি হায়না পাইওনর স্পোর্টস এন্দ কলচরেল ওর্গেনাইজেসনগী সেক্রেটরি জেনরেল এ কে রোমেন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মুক্না চেম্পিয়নশিপ অসি ইন্দিজিনস মুক্না এসোসিএশন ককচীংগা খূৎশম্নরগা পাঙথোক্কনি। লোয়ননা ওর্গেনাইজেসন অসিগী চ্যেরমেন ওইনবা হায়রুবদা য়ারকপদা সোরাম ইঙো (এম পি এস) বু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি





Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com